# সঙাই হেরিতেজ পার্কতা মীতৈ পাঙলগী হট য়াওহনদগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা শেংদোরক্কদবনিঃ এমএমদব্লিউও

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ঃ
সঙাই ফেষ্টিভেলগী হেরিতেজ পার্কতা লমদমসিদা খুন্দারিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী য়ুম শারগা থল্লিবা অসিদা মৈতৈ পাঙলশিংগী য়াওহন্দ্রিবসি করিগীনো হায়বদু পুং ২৪গী মনুংদা মরী লৈনবশিংনা শেংদোরক্ত্রবদি সঙাই ফেষ্টিভেল বোইকোট তৌনবা ফিরেপ লৌরগনি হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফিয়ার ওর্গনাইজেসননা চেকশিন ৱা থল্লক্লি।

হিরমসিগা মরী লৈননা হাত্তাদা লৈবা এমএমদব্লিউওগী ওফিসতা ঙসি পাউগী মীফম অমদা ওর্গনাইজেস অসিগী প্রসিদেন্ট অবদুল্লা পথাননা হায়খিবদা, চহি খরগী মমাংদা মণিপুর সরকারগী মীৎয়েং মখাদা টুরিজম দিপার্টমেন্ট য়াওনা অতৈ দিপার্টমেন্ট খরাগা পুল্লগা চহি খুদিংগী ওইনা নভেম্বর ২১দগী হৌরগা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

হন্দক্কী চহিগী ওইনসু মণিপুর তোঙান তোঙানবা মফম ৬তা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোক্লি। ফেষ্টিভেল অসিদা মরুওইনা মণিপুরগী কলচর অমসুং ত্রেদিসন অসি মালেম শিনবা থুংনা খঙহনবা হোৎনবগা লোয়নননা লমদমসিদা খুন্দারিবা ফুরুপ কাংলুপ খুদিংমক্কী য়ুমশারোল তাল্লবা হেরিতেজ পার্ক হায়না মীথোন দুনা ফুরুপ খুদিংমক্কী য়ুম শাদুনা থল্লি। অদুবু মৈতৈ পাঙলশিংগী শক্তাকপা য়াবা য়ুম য়াওহনদবা হায়বসি থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফাওই। মসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক করিনো হায়না হংলদুনা মণিপুরদা খুন্দারিবা মৈতৈ পাঙলশিংবু মালেমদা খঙহনদনবা টুরিজম দিপার্টমেন্ট লোৎশিল্লবরা হায়বগী চিংনবা লৈ হায়না পথাননা মখা তাখি।

মরম অদুনা মৈতৈ পাঙলশিংগী ওইবা ত্রেদিস্নেল হট য়াওহনিদ্রবসি করিগীনো হায়বদু মণিপুর সরকার অমদি টুরিজম দিপার্টমেন্টনা মীয়ামদা শেংদোরক্কদবনি। করিগুম্বা হায়রিবা ৱাফম অসি তুমিন্না লৈশিনখিবা তারবদি মৈতৈ পাঙলশিংনা সঙাই ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াদবগী ফিরেপ লৌরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়না অবদুল্লা পথাননা মখা তানা ফোংদোকখি।

# মোরেদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ম্যান্মার লেঙ্গুয়েজগী ফিল্ড ষ্টদি পাঙথোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ঃ নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী চহী অমগী দিপ্লোমা কোর্স ইন ম্যান্মার লেঙ্গুয়েজগী ফিল্ড ৱার্ক হায়বা অমা ঙসি বোর্ডর টাউন মোরেগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। ফিল্ড ৱার্ক অসিদা মহৈরোই নুপা অমদি নুপী পুন্না ১৩ অমদি ওঝা ২ য়াওনা মীওই ১৫না শরুক য়ারি।

ফিল্ড ৱার্ক অসিদা মরুওইনা মহৈরোইশিং অসিনা ম্যান্মারগী মীওইশিংগা ম্যান্মার লেঙ্গুয়েজতা ৱারী ৱাতাই শান্নদুনা অমদি স্কিপ ইদুনা তল্লিবা কোর্স অসিগী প্রক্টিকেল কয়া অমসু পাঙথোকখি। অমদি মহৈরোইশিংনা ম্যান্মার লেঙ্গুয়েজতা ৱাহং কয়া অমসু অমগা-অমগা ইন্টরেক্সন পাঙথোকখি।

ফিল্ড ৱার্কঅসিগী কো-ওর্দিনেটর ওইরিবা নোংথোম্বম বোবিনা ফোঙদোকপদা হৌজিক ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা ম্যান্মার লেঙ্গুয়েজ সবজেক্ট অসি য়াওদে অমদি পৃথিবীগী মনুংদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটিদা হায়রিবা ম্যান্মার লেঙ্গুয়েজ অসি অনীখক্তা তল্লি অমনা য়ুএসএ চিকাগো য়ুনিভর্সিটি অতোপ্পা অমনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদনি। মরম অদুনা য়ুমলোন্নরিবা কন্ট্রি ম্যান্মারগা অফবা মরী থম্নবা কোর্স অসিনা অচৌবা লম্বী অমা ওইরনি হায়খ। মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ইনিদয়াগী নোর্থ ইষ্টতা য়ুনিভর্সিটি অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খঙবীদবদগী হৌখিবা চহী ২০০৫দগী লেঙ্গুয়েজ অসি হৌদোকখিবনি। সেন্টর অসি লেঙ্গুয়েজ খক্তা নত্তুনা রিছার্স প্রোগ্রাম অমনি। মসিদা ম্যান্মারগী সোসিয়েল পোলিটিকেল অমদি ইকোনোমিদা লৈরিবা হিষ্টোরিদা লিংখৎখিবা সেন্টর অমনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মহৈরোইশিংদা স্কোলারসিপ য়েন্থোকখ্রে, রেঙ্ক হোলদরশিং পূক্নীং থৌগৎখ্রে

থৌবাল, নবেম্বর ২৬ ঃ পোপুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি এফ আই) গী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক অসিগী মুস্লিম মহৈরোই অমদি শোখনা লৈহৌরবা মহৈরোইশিংবু মহে-মশীং তমহন্নবা পান্দমদা থা ৬-৬ তা পীবা স্কোলারসিপ ঙরাং লিলোং হাওরৈবী কলেজদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পি এফ আই মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট মৌলানা ৱাহিদুর রহমন, জেনরেল সেক্রেটরী রাখি সাহ, পি এফ আই নেস্নেল কম্ম্যুনিটি দিভলপমেন্ট ইন-চার্জ নাসির থুমবে, এম য়ুগী এসিষ্টেন্টল প্রো হামিদুর রাহমন, মদ্রাসা এলিয়া লিলোংগী মোহতামিল মৌলানা নুর উদ্দিল, লিলোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৬ কী কাউন্সিলর অব্দুল বারিক, সাইবর সেক্যুরিটি প্রোফেস্নেল কর্নেল সাহিদ খান, ইন্টিগ্রেটেত দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী কোওর্দিনেতর লেহাজুদ্দিন আসিস অমসুং পি এফ আই মণিপুর ষ্টেটকী সি টি ইন-চার্জ মাকবুলনা প্রসিদেন্ট মেম্বর ওইখি।

থৌরম অদুদা হন্দক ফল লাওথোকখিবা গ্রেজুয়েট ফাইনেল একজামদা মকোক মথং তারক্লবা পাঙ্গল কম্ম্যুনিটিগী মহৈরোই তরেৎতা অচম্বা খুদোল তমদুনা তরাম্না ওকপগা লোয়নননা পূক্নীং থৌগৎখি। মখোয়শিং অদুদি, দি এম কলেজ ওফ সাইন্স ইলেক্ট্রোনিক দিপার্টমেন্টকী অহানবা পোজিসন তারকখিবী সাহনাজ আরা, মণিপুর কলেজগী ভাইও কেমেষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী অনীশুবা পোজিসন তারকখিবা কোরিময়ূম জহিয়া খান, দি এম কলেজ ওফ আর্টস মণিপুর দিপার্টমেন্টকী মরিশুবা পোজিসন লৌরকখিবী কোরিময়ূম য়েজমা, জি পি ৱুমেন কলেজ মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী মঙাশুবা তারকখিবী মমতা, দি এম কলেজ ওফ আর্ট ফিলোসোফি দিপার্টমেন্টকী তরুকশুবা তারকখিবী রুহিদা সহানি, জি পি ৱুমেন কলেজ মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী তরেৎশুবা তারকখিবী ফজিল্লাতুন অমসুং দি এম কলেজ ওফ সাইন্সকী বোতনি দিপার্টমেন্টকী মাপলশুবা তারকখিবা নুসরত আমীননি অদুগা ক্লাস টুৱেল্ফ লোয়রগা তোঙান তোঙানবা ট্রেত্তা মহৈরোই তল্লিবা ১৪৮ তা শেলগী তেংবাংসু পীখি।

পি এফ আই মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ৱাহিদুর রাহমন্না হায়, সঞ্চর কম্মিটিনা পীবা রিপোর্টকী মতূং ইন্না লৈবাক অসিদা খুন্দারিবা মুস্লিম কম্ম্যুনিটি অসি খ্বাইদগী শোখনা লৈরে হায়বা ঐখোয় খুদিংমক্না খঙলে। মতম অমদা লৈবাক অসিদা শাসোল তৌদুনা অৱাংবা থাক্তা লৈরম্মী মতম অদুদা শারম্বা অঙক-অঙকপা মীয়াম্না শীংথানবা ফুরা-দলান কয়া ঙসিসু মালেমগী মীওই কয়ানা য়েংবা লাক্লরিবনি। থাক ৱাংনা লৈরম্বা কম্ম্যুনিটি অসিনা করম্না হন্থরক্লিবনো হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক খন্থফম থোকই। মহে-মশিং ৱাৎপদগী শোখরকপনি হায়বগী ৱাফমসু থল্লদুনা স্লাম ধর্মদা নুপীশিং লাইরিক তম্বা য়াদে হায়বা লৈতে। মরম অদুনা নুপা নুপী খুদিংমক মহে নীংথিনা তমদুনা মান্নবা খুন্নাই অমা শেম্মীন্নবগী অপাম্বা লৈ হায়খি।

ঐখোয়গী তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোইশিংবু অৱাংবা থাক্কী মহৈগী মঙাল ফংহনদবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন্দা পি এফ আই না স্কোলারসিপ অসি পীবনি। চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় খুদিংমক নুংশিননা লৈমিন্নবা, মহে-মশিং হৈহনবা দরকার লৈ হায়বা ৱাখলদা পি এফ আই না থবক থৌরম কয়া পায়খৎলকপনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মহৈরোইশিংদা পীরিবা স্কেলারসিপকী শেনফম অসি সরকারদগী নৎত্রগা ফম্নাইবশিংদগী লৌরগা পীবা নত্তে। অফবা মায়কৈরোমদা পুনবা হোৎনবনি। অদুনা পীরিবা শেনফম খরা অসি মহৈ তম্বা খক্তদা শীজিন্নবীয়ু। অরেম্বদা সোসিয়েল মেদিয়াদা মতম মাঙহনগনু। চাওখৎ মায়কৈদা পুরকপদা থৌদাং লৌমীন্নসি। ইশা-ইশাগী কম্ম্যুনিটিনা হেল্লি হায়বা ৱাখল থাদোক্তুনা ঐখোয় অমখক্তনি হায়বা ৱাখলদা থবক তৌসি।

মহে-মশিং তমহনগদবা অঙাংশিংবু কৈথেলদা পোৎফম ফমহন্দুনা থল্লগা মমা-মপাশিংনা ৱারেম ঙাংদুনা লৈথোকপসি য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কর্নেল সাহিদ খাননা হায়, অঙাং হায়বসি জাতি অসিগী য়ূম্বীনি। মখোয়বু মহৈগী মঙাল নীংথিনা তমহন্দুনা ইমুংগী, লমদম অসিগী অমদি লৈবাক অসিগী থবক থৌরম কয়া তৌবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসি মমা-মপা ওইবশিংগী থৌদাংনি। মরম অদুনা অঙাংশিংবু কৈথেল ফমহন্দুনা মাঙহনবগী থবক তৌবীগনু হায়নসু মখা তাখি।


## PENSION BOOK LOST

I have lost my Pension Book bearing PPO No. 111606939 of IFCD, Imphal on the way in between my Residence and Khongman on 3rd October, 2018.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Khumallambam Prafullo Singh
Khongman Mayai Leikai
Contact No. 9856977496

SL/4195/27



## In the Court of Sub-Deputy Collector
**Salam, Imphal West**

*Ref. :- Mutation Cass No. 448/SDC/IW/Salam of 2018*

1. Irengbam Basanta Meetei S/o (L) I. Ibobi Meetei of Ngairangbam Awang Leikai
2. Irengbam Babu Meetei S/o (L) I. Ibobi Meetei of Ngairangbam Awang Leikai
3. Chabungbam Ningthem Meetei S/o (L) Ch. Manao Meetei of Ngairangbam Awang Leikai
4. Chabungbam Kiran Singh S/o Ch. Manao Meetei of Ngairangbam Awang Leikai

***- Petitioners***

***-Verses-***

1. Late Laishram Nongyai Singh S/o (L) L. Thambaljao Singh of Ngairangbam
2. Late Huidrom (N) Bidhu Devi W/o (L) Ch. Iboton Singh of Ngairangbam
3. Late Khumanthem (N) Leirik Devi W/o Kh. Paranga Singh of Ngairangbam
4. Late Irengbam Ibotombi Singh S/o (L) I. Hera Singh of Ngairangbam
5. Late Irengbam Iboton Singh S/o (L) I. Luwangjao Singh of Chingamkha

***- Opposite Parties***

**N O T I C E**

*Imphal, the 26th Nov. 2018*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৭৮-ঙাইরাংবম পাট্টা নং ৭৮/৪৯৯ অনৌবা দাগ নং ১২৯৩ অমসুং ১২৯৪ গী এরিয়া .৪৯ .৪০ একর অপুনবা এরিয়া .৮৯ একর চাওবা ইংখোলগী লম অসিগী মনুংদগী দাগ নং. ১২৯৩ গী এরিয়া .৪৯০ একর চাওবা লম অসি কো-পাট্টাদার নং. ১/লাইশ্রম নোংয়াই সিংহ, ২/হুইদ্রোম নিংঙোল বিধু দেবী, ৩/খুমনথেম নিংঙোল লৈরিক দেবী, ৪/ইরেংবম ইবোতোম্বী সিংহ , ৫/ইরেংবম ইবোতোন সিংহগী শরুক্লি। পাট্টদারশিং অসি শিখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসি মখোয়গী মশুশিং দরখাষ্টকারীশিংনা মখোয়গী মিংদা পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাগী লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ তরেৎনিগী মনুং ফাওবদা অইবা চেগা লোয়নননা উক্ত কোর্ট অসিদা ৱাকৎলবা য়াগনি মসিগী তুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চখজগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Salam, Imphal West

*SL/Bill(L)/27(B)*



## In the Court of Sub-Deputy Collector
**Keirao Bitra, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 320/SDC/P of 2018*

*Dt. 26/11/2018*

Nongthombam Bobocha Meitei S/o (L) N. Nipamacha Singh of Thiyam Konjin

***- Petitioner***

***-Verses-***

(L) Nongthombam Nipamacha Singh S/o (L) Nilachand Singh of Thiyam Konjin

***- Opposite Party***

**N O T I C E**

*The 26/11/2018*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Keirao Bitra Circle গী Village No. 121-Thiyam Konjin গী Patta No. 18 (অরিবা) 265 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 1080 an area .52000 acre of Phourel Class লম অসিগী Pattadar N. Nipamacha Singh অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar মপাগী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Keirao Bitra Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চখগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Keirao Bitra, Imphal East

*SL/Bill(L) /27(A)*



## In the Court of Sub-Deputy Collector
**Bashikhong, Imphal East**

*Ref. :- Mutation Cass No. 503/SDC/B/IE of 2018*

Laiphrakpam Renu Devi D/o (L) L. Iboton Singh of Thonju Part-II

***- Petitioner***

***-Verses-***

1. Laiphrakpam Iboton Singh S/o (L) Babu Singh of Thonju Part-II
2. Laiphrakpam Renu Devi D/o Iboton Singh of -do-

***- Pattadars***

**N O T I C E**

*Bashikhong, the 26th Nov. 2018*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৫৮-থোংজু পাট্টা নং ৩৮৯ / ১৫৫১ অনৌবা দাগ নং ৫৮২ / ১৮৫৪ মোট এরিয়া ০.০৯৭ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টদার নং. ১ লাইফ্রাকপম ইবোতোন সিংহ পীং মৃঃ বাবু সিংহ সাং থোংজু পার্ট (টু) দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল শরুক অসি মথক্তা পল্লীবা দরখাষ্ট কারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে অমসুং নমা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ) ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপতি (Objection) চে পীশিল্লবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপতি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চখরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong, Imphal East

SL/Bill (R)/27


# গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা চৈ-থাংবা ভিদিও ক্লিপ থাগৎলুবা কিশোরচন্দ্র কোর্টনা বেল পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ঃ
মশা মথন্তা নমজবা সেন্তর অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টগী লুচিংবশিংদা চৈ-থাংবা ভিদিও ক্লিপশিং সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলুবা কৈশামথোং মোইরাং নিংথৌ লৈরক্তগী কিশোরচন্দ্রা ৱাংখেম এলাইজ ৱাংথোই (৩৯) অপোকপা দব্লিউ বিরেন্দ্র ঙসি কোর্টনা বেল পিখ্রে।

হৌখিবা নুমীৎ খরনি মমাংদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি ষ্টেটসিগী চিফ মিনিষ্টরবু চৈ-থাংবা ভিদিও ক্লিপ থাগৎলুই হায়বগী মরালদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কিশোরচন্দ্র ৱাংখেমগী মথক্তা আইপিসিগী অন্দর সেক্সন ১২৪-এ,২৯৪,৫০০ গী মখাদা এফআইআর নম্বর ২৩৬(১১) ২০১৮ গী কেস অমা লৌখত্তুনা ফারগা কোর্টতা পুথোক্তুনা পুলিস কষ্টদিদা থল্লকখিবনি।

পুলিস কষ্টদিগী মতম লোয়দুনা কিশোরচন্দ্র ৱাংখেম ঙসি ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্ট (চৈরাপ কোর্টতা) পুথোরকপা লোয়নননা নুমীৎ ১৫ অমগা জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ পিবিনবা ৱাফম পুলিসকী মাইকৈদগী কাউন্সেলগী খুথাংদা কোর্টতা থমখি। পিটিস্নরগী কাউন্সেলনসু কিশোরচন্দ্র ৱাংখেমদা পাল্লিবা সেক্সন ২৯৪ অমদি ৫০০ অসি বেল পিবা য়াবনি হায়না অর্গুমেন্ট তৌরকপদগী কোর্টনা নাকল অনিমক্কী ৱা তারবা মতুং কোর্টনা কিশোরচন্দ্র ৱাংখেম এলাইজ ৱাংথোইবু লুপা ৭০,০০০ অমসুং মসিগা মান্নবা শুরিটি ওইরগা পিআর বোন্দদা বেল পিখিবনি।

# লম্বী শেম্বীদবদগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি

এস এন এস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ঃ ইম্ফাল ইষ্টতা য়াম্না মরু ওইরিবা ইম্ফাল-য়াইরিপোক লম্বী ইরিলবুঙদগী য়াইরিপোক ফাওবগী লম্বী অসি মতম কুইনা শেম্বীদবদগী লম্বী থীংদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট কম্মিটি ক্যামগৈ মমাঙ লৈকাইগী সেক্রেটরী অসেম রোবেন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, হৌখিবা নবেম্বর ১৪,২০১৮দা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈরিবা অন্দ্রো কেন্দ্রগী থম্বালনু কৈথেলদা চীফ মিনিষ্টর ওকপগী থৌরমদা ইরিলবুঙদগী য়াইরিপোক ফাওবগী লম্বী অসি হাপ্তা অমগী মনুংদা শেম্লগনি হায়না মীয়ামদা চীফ মিনিষ্টর অমসুং ৱার্ক্স মিনিষ্টর অনীনা মীয়ামদা থাজবা থম্বীরম্মী। অদুবু ঙসি ফাওবা মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্দুনা থবক ওইনা ওন্থোকপীরক্তবদগী মীয়ামগী মহুৎ শীন্দুনা য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট কম্মিটি ৬-কৈরাও এসিনা অথুবদা লম্বী অসিবু চীফ মিনিষ্টর অমসুং ৱার্ক্স মিনিষ্টর অনীনা চৎলিবা নবেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোকপীদ্রবদি মথঙ নুমিৎতগী দিসেম্বর ১দগী মখল-মখা কয়াগী খোঙজং মীয়ামগা লোয়নননা চঙশিল্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## EMPLOYMENT NEWS
## থবক্কী পাউ

**High Court of Delhi** has released a recruitment notification for 147 posts of Judicial Services. Interested candidates may check the vacancy details and apply online from 22-11-2018 to 22-12-2018.

More details about Delhi High Court Recruitment (2018), including number of vacancies, eligibility criteria, selection procedure, how to apply and important dates, are given below:

Vacancy Details:

•Post Name: Judicial Services

•No. of Vacancies: 147

•Pay Scale: Not Mentioned

Job Location: Delhi

Eligibility Criteria for Delhi High Court Judicial Services:

Educational Qualification: Candidates should have passed Bachelor's Degree in Law from recognised university/college.

Age Limit (as on 01-01-2019): Maximum 32 years

Selection Process: Selection of candidates will be made on the basis of Preliminary Examination and Main Examination.

Application Fee: General/OBC candidates have to pay Rs. 1,000 and SC/ST/PH candidates have to pay Rs. 200 through online mode using Net-banking/Credit or Debit Card.

How to Apply: Interested and eligible candidates may apply online through Delhi High Court website - http://delhihighcourt.nic.in - from 22-11-2018 to 22-12-2018.

Important Dates:

• Starting Date of Online Application: 22-11-2018

• Last Date of Online Application: 22-12-2018

**Central Industrial Security Force (CISF)** has released a notification for the recruitment of 519 Sub-Inspectors. Interested candidates may check the vacancy details and apply from 05-11-2018 to 15-12-2018.

More details about CISF Recruitment (2018), including number of vacancies, eligibility criteria, selection procedure, how to apply and important dates, are given below:

Vacancy Details:

•Post Name: Sub-Inspector

•No. of Vacancies: 519

•Pay Scale: Not Mentioned

Job Location: All India

Eligibility Criteria for CISF Sub-Inspector:

Educational Qualification: Candidates should have passed Graduation Degree from recognised university/college.

Age Limit (as on 01-08-2018): Maximum 35 years

Age Relaxation:

| Sr. No. | Category of Candidates | Relaxation of Age Permissible |
|---|---|---|
| 1. | SC Candidates | 05 Years |
| 2. | ST Candidates | 05 Years |

Selection Process: Selection of candidates will be made on the basis of Written Test, Physical Endurance Test and Medical Examination.

Application Fee: No Application Fee

How to Apply: Interested and eligible candidates may apply by sending their application form along with required documents to Zonal DIsG viz., DIG(NZ-1) New Delhi, DIG(SZ) Chennai, DIG(WZ-1) Mumbai from 05-11-2018 to 15-12-2018.

Important Dates:

• Starting Date of Application: 05-11-2018

• Last Date of Application: 15-12-2018

# শারুংবম বীনোদিনী

## ꯑꯍꯤꯡꯁꯤꯅꯥ ꯂꯣꯢꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩ
## অহিংসিনা লোইদ্রিঙৈ

*(লাইরিক অসি হৌজিক হৌজিক মীয়াম্না পান্না পানরিবা নোভেলনি। লাইরিক অসিদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা পীবা "ডা. যামিনি সাহিত্য মনা" অমদি সাহিত্য সেবা সমিতি, মণিপুর ঃ ককচিংনা পীবা "য়েন্দ্রেম্বম সুরলতা পুরস্কার" ফংখ্রে।)*

## অনীশুবা শরুক

ঙরাংগী মখা....

থিংবদি ঙমখিদে কোরৌ অঙানবগী খোঙচৎনি, তাইবঙ পানবসিনা লৈত্রিঙৈ, অহিং নুংথিল খায়না থাংলম্লবা খোঙথাংনি। নোংপোক চীংদোলপোক্তগী তপ্না-তপ্না লৈখৎলকপদু মালেম্না ঙ্রাঙান্নরকপা মীৎকুপ্তুদা খুবাং চাংজৌ তরামক অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা খুরুমজখিবদো অঙানবা মাবু। থোঙনাওগী মিংশেল থুগাইরকপগী মখোলদুনা অচিকপদু থুগাইবীরবদা-ইমুংদা চেনশিনদুনা য়েংলুই। ঐনা হেক চঙখিবগা অমুক লেপখি। ওন্থোকপা মওংনি। করি তৌ হায়রিবনো ঐহাক খঙখিদে। ঙাইহাক লেপ্লল্লগা করিসু হায়রমদনা বেগতগী ব্রশ, কোলগেট লৌথোক্তুনা চাকশঙগী থোঙদু হাংদোক্লুবদা ইরুজফম কা থংননা লৈরম্বদু উরকই। চঙশিনদুনাহকচাং শেংদোক্তুনা চাকশঙদা চা লোল্লগা কপ অনী পুরদুনা মেদামগী থোঙ ময়াদা লেপ্তুনা হায়রুই।

"মেদাম চা থকসি।"

থোঙদু য়াম্না চেকশিন্না খজিক্তং হাংদোক্লগা গুদ-ডে বিস্কুট পেকেট তঙ্খায় অমদি ত্রে মচা অমদা ইন্থোরকই, মখূৎ তিংথোরক্লগা চা কপ অমা লৌবগা থোঙগী পৌরোন থাখি। থোঙয়াগী ফাল অৱাংবীদুদা তৌফম খঙদা ফমথদুনা ঐসু চাদু থকপা হৌই। করিনো খরদি খঙনীংবা হেল্লকখি। তপ্না হায়রুই-।

"মেদাম চাদুবু নথন্ত থকপা হাউব্রা? ঐসু নুপীনি, ঐখোয় অনীতসুনি লৈরিবা। ঐখোয় অনী, চা থকমিন্নবা, চাক চামিন্নবা করি কায়বগে?"

পাউখুম ঙাইহাক ঙাইরবসু খুম্বীরকখিদে। মহাক ৱা ঙাঙদে হায়বদু নীংশিল্লক্তুনা মখা তারুই।

"মেদামগীদমক খন্দুনা পূম্নমক থাদোক্তুনা ঐসি লাক্লি, অদুগা মেদাম্নদি ঐবু হন্থনা য়েংবীরি। মসিবু অচুম্বনি খল্লব্রা? পাবুংনা তাকপীরম্বদি নহাক লায়থুং পক্লবী মীমান্নদ্রবীনি হায়বসিনি। মদুনা অচুম্বা ওইরবদি, নহাক য়াম্না চাউথোকফম থোক্তে। শিব প্রসাদপুসু অদুম্না ওৎপিখ্রব্রা? চহী কয়া নহাক্কীদমক্তা মানা খাঙলকপদু পাবুংগী তৌবিমল ঙাক্তনি খনবদি লানগনি। মাগীসু নুপী অঙাং, কৈরোল লৈকাই পূম্নমক লৈরিবনি। নুংশি-নুংশিনা কায়নরগা মেদামগীদমক লেল্লম্বদু নুংঙাইরমগনি হায়না খনবা ঙমবরা? ঐদি ঙরাং অহিংদুদি চরা হেনবমখে তুম্বসু ঙমদনা খাঙখি। হোৎনবতনা মথৌ ওইরবা মীওইবগী পুন্সিসে ওইহন্নীংবা মওংদা হেক্তা ওইবা ঙম্বা নত্তে। ঐসু ঙসিদি শিবা ঙমদবগী হিংলি। মীপুম খূদিংমকপু য়েক্লবা ওইনা খল্লবদি নহাকপু কয়াম কুইনা নুংঙাইবা ঙমগদগে? নথন্ত ঙমগনি হায়রবদি হৌজিকমক ঐহাক য়ুমদা হল্লগে।"

মথং মথং...

## য়ুমগী লায়য়েং

*শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ*

## চরা হেনবা

ঙরাংগী মখা ...

হৌজিক আমেরিকারোমদা য়াম্না থানরে। য়ু শুংনবদগা অয়াম্বা শীজিন্নে। য়ু শুংখ্রবদি চিনি অমসুং মিনরেলগী মগুণ অয়াম্বা মাঙখ্রে। "গ্রেপ কিওর" হায়দুনা অঙ্গুরদা চাদুনা লায়য়েংবা মফম অমা লৈ। মসিনা কয়ামুক মগুণ লৈবা হৈনো হায়বদু তাকই। অমুনবা অঙ্গুরদি য়াম্না লায়না তুমই। ভিটামিন অমসুং আলকালী ওলহনবা থুম কয়া য়াওবনা এসিডনা থন্না লৈবা ঈদা মপা লৈতনা কান্নহল্লি।

চিনিনা ১৫% দগী ৩০% লৈ। তারতরিক এসিড .৫% দগী ১.২ লৈ, ঙাঙলৈনবা জাৎনা য়ু, অদুগা অঙৌবনা চান্নবগী ওইনা থানৈ। খোঙ হাম্বা য়াদবা, চিফেৎ-চিফেৎ হাম্বদা নৎত্রগা ইতোন ফায়বগা লোয়নননা শাংনা ডাইরিয়া তৌবদা অঙ্গুর ঙাক্তা চাবা কান্নে। ক্রোনিক কৃষ্টিজদা হৈ অসিদা য়াওবা মনা-মশিংগী ওইবা আলকালী কার্ব্বোনেটনা কান্নহল্লি। মুন্দ্রবদি শীজিন্নবা য়াদে। অঙ্গুরদা চাদুনা লৈবনা মাঙবা য়াহনবা অমসুং ঈশিং পৌহনবনা, হার্ট শোকপদসু ঙমখৈ লৈতনা কান্নহল্লি। অশেংবা ঈশিং, শাজেন অমসুং ঙন্না হৌবনা "গ্রেপ-কিওর" গী রুল ওইবনা মহুম অসিনসু মতেং পী। সুইজরলেন্দদদি মসি চহী চা কয়াদগী চৎনরকই।

কমলাঃ- কমলা হায়বসি মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবা চিঞ্জাক্কী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা খুদোল অমনি। হেক চাবদা হাউরবা থুন্নবা করিগুম্বা তুম্বগী থবক অমত্তা য়াওদনা ঈদা চঙখিদুনা খুনা হেক্তা শীজিন্নবা হৌই। অদুগা চোকথরবা মতমদা কমলা অমত্তা চাশিনবদা হেক্তা হকচাং তেকখৎলি। কমলা অমগা তল মচেৎ অমগা মান্নে। অদুবু কমলা মহীদি অমুক তুম্বগী থবক চঙদ্রে। তলদি হকচাংদা পাঙ্গল হৈনিংবা পীননবা তুম্বা তাই মদুগী মতুংদা ঈদগী পাঙ্গল পীরক্কদবনি। অৱাবদি তল মচেৎ অদু তুম্বদা পুং কয়া চঙই। অশোন-অনানা কমলা পাল্লিবসি থুনা হকচাং তেকখৎহনবদগীনি। কমলা হাইফেৎ চাউবা অমনা কেলোরী ৭৫ দগী ১০০ পী। কমলা মহীদা লাইম অমসুং অতোপ্পা আলকারী ওইবা থুম য়াম্না য়াওই। শায়াম, চাকয়াম চাবা, অদুগা অহল ওইশিল্লক্লবা অদুগা ফমদুনতা লৈবা মীনা ঈ অসি এসিড ঙাক্তা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা এসিড মাঙহন্নবা কমলা চাবা য়াম্না কান্নে। ইমুং মনুংদা থবক শুবা, কেরানি ওঝাগুম্বা মীওইগী পূন্সিদা থুনা অহল ওইহনবা থিংনবা কমলা হীদাককুম্বা হৈ মখল অমনি।

তুম্মমদাইদা কমলা ১ / ২ (মকু য়াওনা হৈনরগা) চাশিনবদা থোইদোক্না শাথীবা মওংদা খোঙ হাম্বা য়াদবা মী কান্নবা ফংগনি।

মথং মথং ....